## আই এস আই এসকী মথক্তা ষ্ট্রাইক চখনবা শেম শারে

লন্দন, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
পেন্টাগোননা অফঘানিষ্টানদা হৌজিক হৌজিক আই এস আই এস-কেগী ফাইটর ২,০০০ রোম এক্টিভ ওইনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা মখোয়গী মথক্তা এয়রষ্ট্রাইক চখনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা হমিদ কর্জাই ইন্তরনেসনল এয়রপোর্টতা আই এস আই এস-কে গ্রুপনা থংনা থংননা বোম অনী পোকখায়হন্দুনা অফঘান ১৬৯ অমসুং অমেরিকান লান্মী ১৩ হাৎখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুং য়ু এসনা গ্রুপ অসিগী লুচিংবা অনীদা টর্গেট তৌদুনা এয়রষ্ট্রাইক চখিখি। বৃটেনগী চীফ ওফ দি এয়র ষ্টাফ এয়র চীফ মার্সেল মাইক ৱাশিংটননা ফোঙদোকখিবদা আই এস আই এস-কেগী মায়োক্তা চখবা ষ্ট্রাইকশিংদা য়ু কেনা য়াওশিল্লকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ। তঙাইফদ্রবদি কনাগুম্বা অমত্তদা খঙহল্লম্বা তৌদনা আই এস আই এস-কেদা টর্গেট তৌরগা এটেক চখরবা য়ানসু লৈ। য়ু কেনা মতম পুম্বদা টেরোরিষ্টকী মায়োক্তা লেপ্পুনা লৈ।

# এল জি বি টি ক্যু এক্টিভিষ্টশিং হাৎপদা চেন্নবা মীওই ৬ কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
ঙসিদগী চহী ৫ রোমগী মমাংদা এল জি বি টি ক্যু রাইটস এক্টিভিষ্ট ২ হাৎপদা চেন্নবা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা গ্রুপ অমগী মীওই ৬ বংলাদেশ কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা অনীনা মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল ৫ দা বংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা অনসর অল-ইস্লামগী মীওইশিংনা এল জি বি টি ক্যুগী এক্টিভিষ্ট অনী অদু মখোয় মশাগী এপার্টমেন্টতা শিনবা ফুখিবনি। ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অথিংবা থমখ্রবা গ্রুপ অসি অল কৈদাগা মরী লৈনবা গ্রুপ অমনি। অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ঙসি জজ এম দি মজিবুর রহমননা কোর্টতা পুথোরকখিবা মীওই ৮ অদুগী মনুংদা ৬ না শিবগী চৈরাক পীরগা অনীনা থাদোকখিবনি।

কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবশিং অদুগী মনুংদা হান্নগী আর্মী ওফিসর সায়েদ অজিয়াল হক জিয়া য়াওরি। মহাক অথিংবা থমখ্রবা গ্রুপ অদুগী লুচিংবনি। অদুগা অতোপ্পা শিবগী চৈরাকপীখ্রবা ৫ অদুনা অক্রম হোসেন, এম দি মোজোমেন হোসেন এলিয়স সাইমন, এম দি সৈখ অব্দুলা, অরাফদ রহমন অমসুং অসাদুলানি। কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখ্রবা মীওই অনী অদুনা সবিরুল হক চৌধুরি অমসুং জুনেদ অহমদনি।

কোর্টনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মীওই ৬ অসিনা নোংমৈ অমদি চৈ শীজিন্নদুনা এল জি বি টি ক্যুগী এক্টিভিষ্ট মানন অমসুং টোনোইবু মখোয় মশা মশাগী ময়ুমদা হাৎখিবনি। অসিগুম্বা থৌওং চখ্রিবা মীওইশিং অসি বংলাদেশতা লৈবা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না তমথিনা লৌবা মীওইশিংনি। লৈবাক অসিদা টেরোরিজমগী ওইবা থবকশিং চখ্রিবা মীওইশিংগী মরক্তা চপ চাবা চৈরাক পীবা হায়বসি কোর্টকী মথৌনি। ঙসি শিবগী চৈরাক পীখ্রবা মীওই ৬ কী মনুংদা ৫ দি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারী থাদা ব্রোগর অমা অমসুং পব্লিসর অমা হাৎলুবগী মরাল লৈরে হায়দুনা শিবগী চৈরাক পীখ্রবনি। অদুমওইনমক মখোয়গী শিবগী চৈরাক অদু মতম শাংদোক্তুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা দিফেন্স লোয়র খাইরুল ইস্লাম লিকতোনান ফোঙদোকখিবদা বংলাদেশ কোর্ট অমনা মখোয় ৬ শিবগী চৈরাক পীখ্রবসু মখা তানা মথক থংবা কোর্ট অমদা আপীল চৎনবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

# পঞ্জসির প্রোভিন্সতা টালিবান ফাইটর ৮ হাৎখ্রে : অফঘান মিলিসিয়া ফোর্স

কাবুল, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
পঞ্জসির প্রোভিন্সকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা মফম অমদা টালিবান ফোর্স অমদি অফঘান মিলিসিয়া ফাইটরশিংগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা টালিবান ফাইটর ৮ হাৎখ্রে হায়না এন্টি টালিবান ওপোজিসন গ্রুপ অসিগী মচিন চৎপা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা তাং ১৫ দা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানগী কোনুং খুদুম চনশিনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা হৌজিক হৌজিক টালিবাননা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদনা লৈহৌরিবা অসি পঞ্জসির প্রোভিন্স খক্তনি। হায়রিবা প্রোভিন্স অসি এন্টি টালিবান ওইরিবা মসুদনা লুচিংবা লোকেল মিলিসিয়াশিংনা কন্ট্রোল তৌদুনা হৌজিকসু লৈরি।

লোকেল মিলিসিয়া ফোর্সশিং অসিনা মতম পুম্বদা টালিবানগী মায়োক্তা লেপ্পুনা লাক্লি। পঞ্জসিরগা থংনরিবা বাঘলান প্রোভিন্সতসু লোকেল মিলিসিয়াশিং অমদি টালিবানগী মরক্তা য়াম্না তোয়না খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। লোকেল লিদর অহমদ মসুদকী মতুং ইনবা নেসনল রেজিষ্টেন্ট ফোর্স অসিগী ৱাঙাঙলোয় ফাহিম দসটিনা ফোঙদোকখিবদা এন আর এফনা লৈরিবা মফমশিংদা টালিবাননা খঙহৌদনা চঙশিল্লক্তুনা এটেক চখবা হৌরকখিবনি।



এটেক অদু প্রোভিন্স অদুগী দিফেন্সকী মপাঙ্গল কয়াম কনবগে হায়বদু য়েংনবা চখরকখিবা ওইরম্বা য়াই। মখোয়না চখরকখিবা এটেক অদুদা থৌনা ফরবা লোকেল মিলিসিয়াশিংনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা টালিবান ফাইটর ৮ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৮ অমসুং অশোক অপন নংহনখি অদুগা এন আর এফকী মায়কৈদনা মীওই ২ অশোক অপন নংখি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা টালিবানগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। টালিবানগী ৱাঙাঙলোয়না পাউ ফাওননবা হোৎনবদসু পাউখুম অত্তা পীরক্ত্রি। পনবা য়াবদি অহমদ মসুদ হান্নগী এন্টি সোভিয়েট মুজাহিদিনগী কম্মান্দর অহমদ সাহ মসুদকী মচানুপানি। পঞ্জসির ভেলিদা সাহ মসুদনা হৌজিক লৈরিবা লোকেল মিলিসিয়া গ্রুপ অসি লিংখৎখিবনি। অমরোমদা মশীং য়াম্লবা টালিবান ফাইটরশিং প্রোভিন্স অদু তম্না চঙশিনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকপদি লৈত্রি।

## অফঘানিষ্টানদা অমেরিকান ২৫০ রোম লৈহৌরি : ওফিসল

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী ঙসি মপুং ফানা পুথোরকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা অমেরিকান ২৫০ রোম লৈহৌরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকননা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অমেরিকান ৩০০ লোম লৈবাক অদু থাদোক্লবা হোৎনরি। মখোয় অদু তেক্তা কায়দনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না চেকশিন্না হোৎনরি অমদি অথুবা মতমদা লৌথোক্লবা শিল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি য়ু এস ওফিসল অমনা লৈবাক অদুদা লৈহৌরিবা অমেরিকান মশীং ২৫০ য়ৌদ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা লৈবাক অদুদা অমেরিকান কয়া লৈহৌরিবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অথুবা মতমদা চপ চাবা মশীং খঙদোক্তুনা মখোয়বু লৈবাক অদুদগী পুথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

## রোবরশিংনা মশা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা হোষ্টেজশিং খুৎলাই ওইনা শীজিন্নখি

সাও পাওলো, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
ব্রাজিলদা লৈবা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক অনী খুৎশু খুৎলাই মতিক চানা পায়বা বেঙ্ক খুৎপু অমনা লুট তৌরবা মতুং মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা হোষ্টেজশিংবু মখোয়গী খুৎলাই ওইনা শীজিন্নখি হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা গেং খুৎপু অদুনা পোকখায়হন্নবা মচাকশিং, দ্রোনশিং অমদি অফবা মখলগী খুৎলাই শীজিন্নদুনা অরাকাতুবা সিটিগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা বেঙ্ক অনীদগী লুট তৌখিবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগা পুলিসকা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা গেংষ্টর অমা য়াওনা মীওই ৩ শিখি। তুংদা গেংষ্টরশিং অদুনা হোষ্টেজশিংবু মখোয়না তোংলকখিবা গাড়ীগী মথক্তা থৌরিনা পুল্লগা মফমদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখি। উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না বেঙ্ক লুট তৌখিবা মীওইশিং অদু বুলেট প্রুভ জেকেটশিং লিৎপগা লোয়ননা অফবা মখলগী খুৎলাইশিং পায়রকখি। হেক উবা মতমদা মখোয় অদু লান্মী মাল্লি হায়রি।

## য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘানিষ্টান থাদোকখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিং হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
চহী দিকেদ অনীরোম য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘানিষ্টানদা লৈদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মতেং পাংদুনা টেরোরিষ্টকী মায়োক্তা মখল মখা কয়াগী ওপরেসনশিং মায় পাক্লা চখদুনা লাকখ্রবা মতুং খঙহৌদনা লৈবাক অদুদগী য়ু এস ক্রুপশিং খুদিংমক চৎখিবা অদুবু টালিবান ফাইটরশিংনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নোংথক্তা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি।

য়ু এস ফোর্সশিংনা মখোয়গী ইকোন কোনবা ফ্লাইট অদু হেক পাইখিবগা টালিবান ফাইটরশিংনা থুনা য়াঙনা এয়রপোর্টতা চঙশিন্দুনা হরাও তয়াম্বগী থৌরমশিং পাঙথোকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা টালিবানগী মায় পাকপা অসিনা লৈবাক অসিবু খুদুম চন্নবা হোৎনরমখিবা কয়াদা পারা অমা তম্বীরে। মসি অফঘান খুদিংমক্কী মায় পাকপা অমনি।

ঐখোয়না য়ু এস অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্বা পাম্মী। টালিবান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুগী মীয়াম খুদিংমক অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা য়েংগনি। অমরোমদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্নদি কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবা টালিবাননা পৱার পায়রিঙৈদা ওইখিবা ফীভম মরু ওইনা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিং অমদি য়ুম্বাল্লবী নুপীশিংদা চখিবা মীওৎ মীনৈশিং অদু অমুক হন্না চখরক্কদ্রা হায়না মীপায়নরি। টালিবানগী মায়কৈদগীদি মীয়াম্না পাম্বা লৈঙাক অমা ওইহল্লগনি হায়না ফোঙদোক্লবসু মীয়াম্না থাজবা ঙমদ্রি।

## সাওদি এয়রপোর্টতা চখরকখিবা এটেকতা ৮ শোক্লে

রিয়াদ, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
সাওদি অরাবিয়াগী অভা এয়রপোর্টতা ঙসি চখরকখিবা দ্রোন এটেক অমদা মীওই ৮ শোকহনখিবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর এয়রক্রাফট অমা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না সাওদিনা লুচিংবা কোলিসন টিম অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু হায়রিবা এয়রপোর্ট অসিদা হৌথি রেবেলশিংনা টর্গেট তৌরগা এটেক চখরকখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি অমুক হন্না রেবেল গ্রুপ অসিনা দ্রোন শীজিন্নদুনা এয়রপোর্ট অসিদা এটেক চখরকখিবনি। কোলিসন টিম অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অনীরকশুবা ওইনা রেবেলশিং অসিনা চখরক্লিবা অসি ৱার ক্রাইমগী থৌওংনি। থৌওং অসি সাওদিনা তরাইনা লৌদে।

ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। ঙসি খঙহৌদনা চখরকখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা ফ্লাইট সার্ভিসশিং মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌদুনা থমখি হায়রি। অদুমওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা হৌথি রেবেলগী মায়কৈদগী হৌজিকমক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 217,892,579 | +527,204 | 4,523,270 | +7,601 | 194,736,503 | 18,632,806 |
| 1 | USA | 39,946,708 | +119,642 | 656,393 | +569 | 30,944,465 | 8,345,850 |
| 2 | India | 32,767,820 | +30,251 | 438,592 | +205 | 31,952,213 | 377,015 |
| 3 | Brazil | 20,752,281 | +10,466 | 579,643 | +313 | 19,692,898 | 479,740 |
| 4 | Russia | 6,901,152 | +18,325 | 182,429 | +792 | 6,162,430 | 556,293 |
| 5 | UK | 6,757,650 | +26,476 | 132,485 | +48 | 5,427,062 | 1,198,103 |
| 6 | France | 6,746,283 | +3,795 | 114,308 | +98 | 6,225,299 | 406,676 |
| 7 | Turkey | 6,366,438 | +19,557 | 56,458 | +245 | 5,823,111 | 486,869 |
| 8 | Argentina | 5,178,889 | +5,358 | 111,607 | +224 | 4,869,104 | 198,178 |
| 9 | Iran | 4,960,744 | +33,780 | 107,151 | +669 | 4,175,405 | 678,188 |
| 10 | Colombia | 4,907,264 | +2,006 | 124,883 | +72 | 4,737,467 | 44,914 |
| 11 | Spain | 4,847,298 | +5,163 | 84,146 | +48 | 4,338,145 | 425,007 |
| 12 | Italy | 4,534,499 | +4,257 | 129,146 | +53 | 4,263,960 | 141,393 |
| 13 | Indonesia | 4,079,267 | +5,436 | 132,491 | +568 | 3,743,716 | 203,060 |
| 14 | Germany | 3,947,016 | +6,805 | 92,671 | +28 | 3,731,900 | 122,445 |
| 15 | Mexico | 3,335,700 | +6,837 | 258,165 | +259 | 2,669,941 | 407,594 |
| 16 | Poland | 2,888,385 | +151 | 75,340 | | 2,657,054 | 155,991 |
| 17 | South Africa | 2,770,575 | +5,644 | 81,830 | +235 | 2,533,956 | 154,789 |
| 18 | Ukraine | 2,284,940 | +749 | 53,738 | +18 | 2,206,683 | 24,519 |
| 19 | Peru | 2,149,591 | +364 | 198,263 | +54 | N/A | N/A |
| 20 | Philippines | 1,976,030 | +22,194 | 33,330 | +222 | 1,794,088 | 148,612 |
| 21 | Netherlands | 1,938,743 | +2,171 | 17,998 | +2 | 1,847,515 | 73,230 |
| 22 | Iraq | 1,881,213 | +6,778 | 20,764 | +65 | 1,727,750 | 132,699 |
| 23 | Malaysia | 1,725,357 | +19,268 | 16,382 | +295 | 1,443,262 | 265,713 |
| 24 | Czechia | 1,678,948 | +81 | 30,404 | +1 | 1,646,927 | 1,617 |
| 25 | Chile | 1,638,330 | +501 | 36,923 | +38 | 1,595,170 | 6,237 |
| 26 | Bangladesh | 1,497,261 | +3,724 | 26,109 | +94 | 1,421,883 | 49,269 |
| 27 | Canada | 1,496,257 | +6,444 | 26,918 | +17 | 1,438,243 | 31,096 |
| 28 | Japan | 1,455,689 | +20,639 | 15,946 | +50 | 1,191,060 | 248,683 |
| 29 | Thailand | 1,190,063 | +15,972 | 11,399 | +256 | 1,002,527 | 176,137 |
| 30 | Belgium | 1,180,952 | +1,643 | 25,368 | +4 | 1,097,834 | 57,750 |
| 31 | Pakistan | 1,156,281 | +3,800 | 25,670 | +66 | 1,036,921 | 93,690 |
| 32 | Sweden | 1,126,813 | +2,500 | 14,651 | | 1,086,097 | 26,065 |
| 33 | Romania | 1,097,452 | +699 | 34,539 | +11 | 1,054,417 | 8,496 |
| 34 | Israel | 1,064,665 | +11,137 | 7,043 | +54 | 973,788 | 83,834 |
| 35 | Portugal | 1,036,019 | +1,072 | 17,730 | +9 | 972,708 | 45,581 |
| 36 | Morocco | 856,049 | +2,676 | 12,540 | +103 | 787,794 | 55,715 |
| 37 | Hungary | 812,227 | +521 | 30,057 | | 777,234 | 4,936 |
| 38 | Jordan | 796,259 | +1,098 | 10,398 | +15 | 774,233 | 11,628 |
| 39 | Kazakhstan | 785,149 | +5,222 | 9,222 | +104 | 667,096 | 108,831 |
| 40 | Switzerland | 776,959 | +6,201 | 10,978 | +11 | 706,724 | 59,257 |
| 41 | Nepal | 761,124 | +1,902 | 10,730 | +16 | 714,520 | 35,874 |
| 42 | Serbia | 759,952 | +2,335 | 7,278 | +12 | 720,901 | 31,773 |
| 43 | UAE | 717,374 | +993 | 2,039 | +1 | 703,603 | 11,732 |
| 44 | Austria | 687,076 | +1,120 | 10,772 | | 661,189 | 15,115 |
| 45 | Tunisia | 662,752 | +2,165 | 23,430 | +61 | 610,878 | 28,444 |
| 46 | Cuba | 646,513 | +6,075 | 5,219 | +75 | 604,381 | 36,913 |
| 47 | Lebanon | 601,226 | +775 | 8,048 | +4 | 553,332 | 39,846 |
| 48 | Greece | 583,658 | +2,343 | 13,600 | +19 | 533,605 | 36,453 |
| 49 | Georgia | 545,033 | +1,915 | 7,329 | +78 | 488,661 | 49,043 |
| 50 | Saudi Arabia | 544,225 | +221 | 8,539 | +7 | 532,512 | 3,174 |

## এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা প্লাষ্টিকনা মাইগ্রেটরি স্পেসিসশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি : য়ু এন

পেরিস, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) :
এসিয়া পেসিফিক রিজনদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী শা ঙাশিংদা প্লাষ্টিক অমদি প্লাষ্টিক পোল্যুসননা মরম ওইরগা অচৌবা চৈথেং কয়া পীরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ঈশিংগী শরুক্তা অমোৎ অকায় লংথবগী থবক লৈবাক লৈবাকশিংনা থিংনবা আপীল তৌরক্লি।



মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী মাঙজবা অমদি তোংজবা করিনো হায়বা হান্নদগী হৌনা খঙলবা ৱাফমনি। প্লাষ্টিক অসি মৈ থারবসু মদুদগী থোরকপা মৈখুনা হকচাং শোকহনবতা নত্তনা নুংশিৎ মোৎশিনহন্নবা মরম অমসু ওই। লৈবাক্তা ফুল্লবসু তুম্বা ঙমদে। ঈশিংদা ওইরবসু ঙামীশিংনা শীজিন্নরিবা লাংশিং অদু শীজিন্নবা লোইরবা মতুংদা লংথোক্লম্বগী থবকশিং চখ্রি। অদুগুম্বা লাংশিং অদুনা মরম ওইরগা দোলফিন য়াওনা তোঙান তোঙানবা ঈশিংদা লৈরিবা জীবশিং শিহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ৱর্ল্ড পৱারশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref. Mutation Case No. 243 of 2021**

1. Yumnam Manihar Singh S/o (L) Y. Borajao Singh of Yumnam Khunou (0.20 acre from Dag No. 1053 and 0.115 acre from dag No. 1026)
2. - do - Memma Devi W/o (L) Y. Yaima Singh of - do - (0.10 acre from Dag No. 1053)

- Applicants

-Vs-

1. (L) Yumnam Yaima Singh S/o (L) Noyon Singh of Yumnam Khnou
2. (L) Yumnam Gulap Singh S/o (L) Mantri Singh of - do - 7 other Co-Pattadars.

- O.P. Pattadars and

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 31st August, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩১-য়ুম্নাম খুনৌগী পাট্টা নম্বর ১৬৫ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১০৫৩, ১০২৬ এরিয়া একর ০.৮০, ০.৪৬ চাওবা ইংখোল অসিদগী পাট্টাদার অনি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি অনিগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- **(S. Budhichandra Singh)**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/6911/1

### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref. Mutation Case No. 404/AS & SO** **Date 26-8-2021**

Nongmaithem Tomchoubi Devi W/o (L) Ahanjao Singh of Kakching Laithagol Leikai

-Vs-

Yengkhom Yaima Singh S/o Shougrakpa Singh of Kakching Khullen

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 26-08-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না ককচিং তহশিল খুল নং: ৫৬-মরিংফুনান পাট্টা নং: ৪/৯২/১৫০ অনৌবা দাগ নং: ৫ এরিয়া .৩৫০১ হেক্টর লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম য়াইমা সিংহ পী: সৌগ্রাকপা সিংহ সাং ককচিং খুল্লেন শুমাং লৈকায় অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching**

HL-B/7119/1

DHANAMANJURI UNIVERSITY

### DHANAMANJURI UNIVERSITY MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, the 31st August, 2021

**No.3/1/2018- DMU/Rect/2020-I**: In partial modification of this office notice dated 20th August ,2021 is hereby notified for all concerned that due to high demand for continuation of issue of Admit Cards for those who have not collected earlier that the **Written test** for recruitment to various post of Dhanamanjuri University is **rescheduled** as given below

| Sl. No. | Name of the Post | Date and Time | Exam Centre | Roll Nos |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Assistant | **10/9/2021 10 am to 12 noon** | DM College of Science | 0001 to 0400 |
| | | | DM College of Arts | 0401 to 0800 |
| | | | DM College of Commerce | 0801 to 1100 |
| | | | DM College of Teacher Education | 1101 to 1500 |
| | | | GP Womens' College | 1501 to 1815 |
| 2 | Computer Operator | **10/9/2021 2pm to 4pm** | DM College of Science | 001 to 390 |
| 3 | MTS | **11/9/2021 10 am to 12 noon** | DM College of Science | 001 to 500 |
| | | | DM College of Arts | 501 to 910 |
| 4 | Section Officer | **11/9/2021 2 pm to 4pm** | DM College of Science | 001 to 300 |
| | | | DM College of Arts | 301 to 670 |

**Note:**

1. Candidates are required to bring their own ball point pen (blue/black)
2. Candidates are required to be in the Examination Centre at least 45 mins and 20 minutes inside the examination hall before the commencement of the Examination.
3. The Examination Centre gate shall be closed at 9:30 am for morning shift and 1:30 pm for afternoon shift.
4. Candidates are required to maintain SOP issued by the State Government.
5. Candidates are required to bring their own face shield/ face mask/ hand sanitizer/hand gloves, etc
6. No candidates without face mask will be allowed inside the examination Centre.
7. **No candidates without Admit card will be allowed inside the examination Centre.**

**N.B. Candidates who have not collected Admit Cards are to collect the same from DMU on 3rd and 4th September, 2021 without fail during office hours (10am to 4pm).**

**-Sd-**
**(Dr Nivedita Lairenlakpam)**
Registrar
Dhanamanjuri University

HL-B/7120/1,2